**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-08.2024)**

**বজেট (এল) ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী হৌজিক চংথরিবা তরুকশুবা সেসনগী ঙসি মঙানি শুবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৩,২৬৯ লাখ ৯৬ লিশিং ৪ সভানা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে।

ঙসি পাস তৌখিবা দিমান্দ ফোর গ্রান্টসশিং অদুদি-ত্রান্সপোর্ট, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিসিতি, কোওপরেস, প্রিন্টিং, ফিসরিজ অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টশিংনি।

দিমান্দশিং অদু খন্নবদা বিরোধি সদস্যশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-রাজ্য অসিদা লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি বিল্ডিং কন্সত্রক্সন য়াওনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা ক্বালিতি য়াওদবা থবক লোয়শিন্নবা টার্গেট তৌবা মতমদগী চোন্থবা অমদি নিয়ম চুমা থবক তৌদনবনচিংবশিংদা সরকারনা করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা য়াবা ঙমলোই।

অতোপ্পা বিরোধি দল কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা থাংগৎলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱাবগাইদগী সুগ্ তাবা লম্বী অসি শেম বগীদমক্তা সরকারনা আর.আই.দি.এফতা লুপা কোতি ৪৫ গী শেন্থং পীবিনবা হায়খ্রে। হায়রিবা লম্বী অসিগী অকায় অতোয় অমদি পোর্টহোল্ডনচিংবা শেমজিন্নবা লুপা কোতি ২.৯৫ গী বজেট সেঙ্কসন তৌবগা লোয়ননা টেন্দর তৌনবা থৌরাং তৌরি।

ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বীগী ৱাফম পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লম্বী অসি শেমবগীদমক শরুক অনি থোকা সেঙ্কসন লৈরে। লম্বী অসিগীদমক টেন্দর

তৌনবগী প্রোসেসতা লৈরে। অথুবদা শেন্বা হৌরগনি।

ঙসিগী সভাগী ৱাহং পাউখুম সেসনদা ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম বশুমনা হায়-রাজ্য অসিদা ত্রান্সপোর্টকী লমদা থবক তৌরিবশিংদা লন্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী ওইনা রিভিন্যু কল্লেক্সনদা খর চোম্থরি। অদুবু চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা বিভাগ অসিনা রিভিন্যু ওইনা লুপা কোতি ১৭ লাখ ৩৭ খোমগৎপা ঙমলে।

সভাদা ফিসরি বিভাগকী দিমান্দ ফোর গ্রান্টসকী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা বিভাগ অসিগী মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়-সরকারনা রাজ্য অসিদা ঙাগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকবা হোৎনরি। মনিপুরগী ঙামীশিংনা লমদম অসিদা শরেংগী মচা পুথোকপা ঙমলে। মসিনা মপানদগী শরেং মচাশিং লৈবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী ঙামীশিংনা শরেংগী পোৎথোক হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাশ য়োজনাগী মখাদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওই লিশিং তরুক্কী মথক্তা খুৎ-শা হৈবগী ত্রেন্নিং পীখ্রে অমদি মখোয়গী মরক্তা মীওই ৯১ রাজ্য অসিগী মপানদা থবক ফংখ্রে।

ঙসি চথুখিবা বিধান সভাগী মীফমদা শ্রী বিরেননা হায়-রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাৎ অপাগী মতাংদা তত্তনা উন্নদুনা মখোয় অৱাৎ অপা পীনবা হোৎনরি। ডাক্তর অমদি নর্সশিং চয়োল অমদা রিলিফ কেম্পশিংদা অনিরক চৎতুনা লেমা হিদাক লাংথক পীরি। মসিগা লোয়ননা মরি লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নরশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা করিগুম্বা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈখিদবা য়াওরবদি অরোইবা মথৌ মঙমগীদমক

লুপা লিশিং ৩০-৩০ পীনবা খঙহনখ্রে। কনাগুম্বা হায়রিবা শেনফম অসি ফংদবা তারবদি মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

**পোলিসি (এল) ঃ** ন্যু এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.টি) ২০২০, লৈবাক অসিদা চৎনখিবা চহি মরি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ঙসিদগী উখ্রুল জিলাদা লৈবা সরকারগী স্কুল খুদিংমক্তা শিক্ষা সবতহ্ন পালন হৌখ্রে। চয়োল অমা চুপা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকপা শিক্ষা সবতহ্ন অসিদা এন.ই.টি. ২০২০ না লৈবাক অসিগী মহৈ মশিং তম্বাদা পুরক্লিবা অহোংবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

পালন অসিগী অহানবা নুমিৎতা টিচিং, লরনিং, মেটরিয়েল ডে হায়বা পান্দম অসিগী মখাদা মহৈরোইশিং অমদি খুঞ্জাশিংনা তোঙান তোঙানবা মহৈ মশিং তাকপী তম্বীবগী লমশিং খঙমীন্নগনি। মসিগা লোয়ননা চয়োল অসিগী নুমিৎশিংদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা খন্ন-নৈনবা অমদি তাকপী তম্বীবগী থবক মখা তানা চথগনি হায়না ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা মরী লৈনবা ওফিসিএলগী পাউ পল্লদুনা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ দা য়াওরিবা চৎন-কাঙলোনবু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা লৈবা মঙ্গোলঙানবী কলেজতগী মফম অদুগী ওইবা এৱারনেস রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

**খুৎলায় (এল)** ঃ ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চাইরেন খুনৌগী হৈরিকোকথোং চিংদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-পোইন্ট থারতি সিক্সকী হেন্দ গ্রেনেদ অনি, করবাইন মেগজিন অমা, পেরা টু মোটার সেল অমা, টিয়ার স্মোগ সেল

তরুক, এন্টি রাইওট কারত্রিজ অমা, স্মোগ গ্রেনেদ অনি, দিটোনেটর অহুম, টুয়েল্ভ বোর কারত্রিজ অমা, ত্রেসর রাউন্দ মরি য়াওরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাংঙ্ভু পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**ওন লাইন (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চংজফব লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা দোমিসাইল সার্টিফিকেট, পি.আর.সি, ইনকম সার্টিফিকেট, ও.বি.সি. সার্টিফিকেট, কাষ্ট নৎত্রগা ত্রাইব সার্টিফিকেটনচিংবা খুদিংমক ওন লাইনগী খুথাংদা লৌবা য়াগনি হায়না জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা কনাগুম্বা অমনা ওন লাইনদা হায়রিবা সার্টিফিকেটশিং অসি লৌবদা খুদোংচাদবা লৈরবদি হেল্প লাইন নম্বর-৭০০-৫০১৫-৩২২ দগী পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

**খোল্লাং (এল) ঃ** মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থা অসিগী অমদগী তরেৎ ফাওবা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ব্রেস ফিদিং চয়োল পালন অসিগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

ঙসি আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির (এ.এ.এম) কাদাংবমগী মখাদা থৌরম অসি এ.ডব্লিয়ু.সি. কাদাংবমদা পাঙথোকখি। অমরোমদা, সি.ঐচ.সি. খুম্বোংনা শিনদুনা ঙাইরাংবম অৱাং লৈকাইদসু চয়োল পালন অসি পাঙথোকখি। এ.এ.এম. চঙাংগৈনা শিন্দুনা চঙাংগৈ মনিং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পালন থৌরম পাঙথোকখি।

ককচিং জিলাগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার (আই.সি.দি.এস) ককচিং অমসুং আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্ট ককচিংনা শিনদুনা ৱার্ল্ড ব্রেস ফিদিং

চয়োল পালন ঙসি ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লৈবা রি-প্রজেন্টিটিব ওফ লোইজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসার-ককচিং ডা: ফৌদেম রাজেন, আই.সি.দি.এস. ককচিংগী সুপরভাইজর-উমা সলাম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পব্লিক নর্সিং ওফিসার ককচিং-ডব্লিয়ু হেমাবতি য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**কেম্প ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা রাজ্যগী হকশেল বিভাগ, ষ্টেট এন.সি.দি. দিভিজন, এন.ঐচ.এম. মনিপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এন.সি.দি. সেল ইম্ফাল ইষ্টকা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালদা নোংমগী ওইবা লেমা হেলথ চ্যেকঅপ তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিংদা তোঙান তোঙানবা হেলথ চ্যেকঅপশিংগী খুদোংচাবা ফংহনখি। মদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার-নন কম্ম্যুনিকেবল দিজিসকী থৌ পুরিবা ডা: ৱাই. প্রেমচন্দ্র, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: সাহিদা অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি। পুন্না হায়রিবা কেম্প অদুদা মীওই ৬৪ না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীওই ৫০ দা তোঙান তোঙানবা স্ক্রিনিং টেষ্ট পাঙথোকখি।

**চিঙ্গাক (এল) ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট, সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী দাইরেক্তোরেট ওফ এক্সটেন্সন অমদি ইবুদৌবী অপুনবা মঙাল (বি.এল.এফ) নুঙ্গোই অৱাং লৈকাইগা পুন্না খুৎশমদুনা চথুরকখিবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা চিঙ্গাক শেম শাবগী ট্রেন্নিং অমা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা তমেংলোং জিলাগী তমা হয়ার অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা মহৈ মশিং তম্বদা চংবা পোৎলম কয়া মতেং পীখ্রে।

স্কুল অসিগী মায়কৈদগী মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বদা চংবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংগী মতাংদা অসাম রাইফলসকা ৱারী শান্নদুনা তেংবাং পীনবা হায়জবদগী অসাম রাইফলসনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা সালসোন্স ইমপেক্ট প্রাইবেট লিমিটেদকা খুৎশমদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু স্কুল অসিদা মতেং পাংখিবনি। পোৎলমশিং অদুদা-পি.এ. সিষ্টেম, কল্লর প্রিন্টর, সোল্লর পেন্নেল, স্পোর্টসকী পোৎলমশিং অমদি মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলমশিং য়াওরি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোমলাখোং খুলদা অসাম রাইফলস অমদি খুল অদুগী নহাশিংগী মরক্তা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙেথোকখ্রে।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী সংসদতা লৈবা অসাম রাইফলসনা ঙরাং লিননা চিক্তুনা পুখৎলকখিবা মীওই অমা কনবা ঙমখ্রে। সংসদতগী নালাহোন রেফুং হায়বা মীওই অসি ঙরাং চর্চতগী হল্লকপগী লম্বীদা লিননা চিকপদগী ভিলেজ পাস্তরনা সংসদতা লৈবা অসাম রাইফলসকী য়ুনিট হোস্পিতালদা পুখৎলকখি। খুদক্তা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল টিমনা মরি লৈনবা হিদাক লাংথক থাদুনা নুপী অসিগী থৱায় কনবা ঙমখি।

**লীলা (এল) ঃ** পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন হৌদোকখিবগী ২২ শুবা কুমওন ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী অকম্পাৎতা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী রিয়ারসেল হোলদা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা শুমাং লীলা এসোসিয়েসন অসি নুপা শুমাং লীলাগী ওইবা এসোসিয়েসন অমনি। হৌজিক ফাওবদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসননা লালা ৬০ গী মথক্তা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

**সনজাউবা ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা খ্বাইরবন্দ ইমা কৈথেলবু লিভিং কলচরেল হেরিটেজ সাইট ওইহনবীনবা সংসদকী মীফমদা পুখৎখ্রে।

রাজ্য সভাগী জিরো অৱার মতমদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা লৈশেন্বা সনাজাউবনা হায়- ইমাশিং খক্তনা ফম্মী হায়দুনা ইমা কৈথেল নৎত্রগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়না খঙনরিবা কৈথেল অসি এসিয়াগী মনুংদা নুপী খক্তনা ফম্বা অরিবা কৈথেল অমনি। কৈথেল অসিনা মনিপুরগী নুপীশিংদা অখন্নবা শক্তি পীদুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউরবা মফম কনদুনা লাক্লি। কৈথেল অসিবু ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৫১ (এ) অমসুং ফোরটি নাইনগী মখাদা লিভিং কলচরেল হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকপীয়ু হায়না মহাকা তকশিনখি।

**বঙ্গলাদেস ঃ** বঙ্গলাদেসকী প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হসিনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রিগী ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা লাম্মীগী হেলিকোপ্তর তোংদুনা বঙ্গলাদেস থাদোক্তুনা চেনখ্রে।

লৈবাক অদুদা মহৈরোইশিংনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট চত্থরকপদগী সৈখ হসিয়ানা মহাক্কী ফম থাদোকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা বঙ্গলাদেসকী আর্মি চীফ-জেনরেল ৱাকর উটচ জমাননা লৈবাক অদুগী লৈঙাক সাসনগীদমক অথুবা মতমদা মরক্কী সরকার অমা শেম্লগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে। মহাকা মখা তানা সরকার অসি শেমবা হোৎনবদা মহাকা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা বঙ্গলাদেসকী রাস্ত্রপতিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরগনি। মরম অদুনা মীয়ামনা বঙ্গলাদেসতা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মতেং পীবিনবা আপিল তৌরি।

বঙ্গলাদেসকী মিদিয়াদা ফোংবা পাউগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টর চা কয়ানা ধাকাদা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী ওফিসিএল রেসিদেন্স-গুনো ভবনদা থোমজিল্লকপদগী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হসিনা খুদোং থিরোইদবা মফমদা চেনখিবনি হায়রি। ঙরাং পুলিস অমদি প্রোটেষ্টরশিং অনিগী মরক্তা খুৎ থোক রকপদগী মীওই ১০০ রোম শিখিবনি। বঙ্গলাদেসকী মহৈরোইশিংনা সরকারনা বঙ্গলাদেসপু পাকিস্তানদগী নীংতমবা চত্থখিবা লাল অদুদা থৱায় কৎখ্রবা ইমুং

মনুংশিংদা চাদা ৩০ থবক হাপ্পগী রিজারভেসন অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়বা দাবী তৌদুনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, ভারত অমসুং বঙ্গলাদেস অনিগী মরক্তা চেল্লিবা রেলগাড়িশিং খুদক্তা অথিংবা থমখ্রে।

**রাস্ত্রপতি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎগী ওহবা রিপাব্লিক ওফ ফিজিগী খোঙচৎতা ঙসি নাগীদা থুংখ্রে।

মহাকা ফিজিদা চৎপা মহাক্কী অহানবা রাস্ত্রপতিগী ওইরে। রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নাগীদা থুংলবদা ফিজিগী উপ প্রধান মন্ত্রি-ভিরিলি আমে গাবোকা অমদি ফিজিদা ভারতকী হায় কম্মিস্নার ওইনা লৈরিবা-পি.এস. কারথি গেননা হরাও তয়ামা ওকখি।

শ্রীমতি মুরমুনা হয়েং অমদি হংচিৎ ফিজিগী সুভা অমসুং নাগীদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। মহাকা ফিজিগী রাস্ত্রপতি-ৱিল্লিয়ম কতানিভর অমসুং প্রধান মন্ত্রি-সিতি বেনি রাবুকা অনিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী চেৎশিলহন্নবা ৱারী শান্নগনি। মসিগা লোয়ননা ফিজিগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু ৱারী শান্নগনি।

**গেমস ঃ** মথং থাগী ১৪ দগী থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা য়ুথ গেমস য়াওননবা মশান্না অসিদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী ইভেন্টশিংদা মেদল ফংল্লকখ্রবা শান্নরোইশিংনা জিত কুনেদো এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরদা থা অসিগী ৮ ফাওবদা মিং পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

**স্পোর্টস ঃ** উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কালিঙ্গা ইন্সটিট্যুট ইন্দষ্ট্রিয়েল টেকে ালোজি গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখিবা ৬৩ শুবা চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাশিংগী সুব্রেতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মনিপুরনা আর্মি পাব্লিক স্কুলবু

পাঞ্জল ৯-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অমরোমদা, অসামগী নগাউদা লৈবা নরুল অমিন ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা জ্নিয়ার বোইস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাক্তর ভি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৪-২৫ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরগী জ্নিয়ার বোইস ফুটবোল টিমনা লক্ষদ্বিকী ফুটবোল টিমবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুর সেমি ফাইনেল চংখিবগা লোয়ননা গ্রুপ (সি) গী ৱিন্নরগা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি।